**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-04-2025)**

**এরেষ্ট (এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট থ্রি, ৱাই.ভি.সি. ক্লবকী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই তরেৎ ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওইশিং অসিদগী ইনসার্স এল.এম.জি. অমা, ইনসার্স রাইফল অনি, করবাইন অমা, এস.এল.আর. অমা, এম.এ. থ্রি.এম.কে. ৱান ৱান রাইফল অমা, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭৬, নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৬৯, চার্জরগা য়াওবা রেদিও সেট, আই.দি. কার্ড, হোন্দা এক্তিভা অমা, কার অমা য়াওনা শেল খরসু ফংখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবা অদুদা লমদম অদুগী মীয়ামনা অথিংবা পীনবা হোৎনখি। মদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা তোংদুনা লাকপা গাড়ি খরা অকায় অতোয় থোকখি হায়রি।

**খোঙজোম (এল)ঃ** খোঙজোম নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি ফুল রিয়ারসেল পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাস অমদি মনিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা রিয়ারসেল অদুদা খোঙজোম ডে নুমিৎতা তৌগদবা থবক থৌরমশিং চপ চানা পাঙথোকখি।

থা অসিগী ২৩ দা রাজ্য থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা খোঙজোম ডে নুমিৎ অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, চীফ সেক্রেটরি-প্রসান্ত কুমার সিংহ শরুক

য়াগনি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী সোইবম বিনোয়না হায়-চহি অসিগী খোঙজোম নুমিৎ পালন থৌরমগীদমক খেবা চিংদা লৈরিবা খোঙজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা শেমগৎ শাগৎলিবশিং লোয়শিল্লক্লে। চহি অসিগী পালন থৌরমগী মনুং চন্না মেমোরেএল কমপ্লেক্স অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিং উৎপা অমদি য়োনবগী অখন্নবা স্তোলশিং হাংগনি হায়রি।

**ইষ্টর (এল)ঃ** প্রভু যিশু খৃষ্টপু ক্রোসতা পাং তিংদুনা হাৎলবা তুংদা অমুক হিংগৎলকখিবা নুমিৎ ইষ্টর সনদেগী পালন থৌরম ঙসি মালেম শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি। লৈবাক্কী মফম কয়াদা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা খৃষ্টানশিংনা চর্চশিংদা অখন্নবা লাইশোল থৌরম কয়া পাঙথোকরি।

মণিপুরদসু খৃষ্টানশিংনা ঙসি ইষ্টর সনদেগী পালন থৌরম পাঙথোকরি। চর্চশিংদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা লাইশোল সভা পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

**ফয়ার (এল)ঃ** নেসনেল ফয়ার সার্ভিস ৱিক-২০২৫ ঙসি ইম্ফালগী ফয়ার সার্ভিস হেদক্বাটরদা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদু য়ুনাইট টু ইগনাইট, এ ফয়ার সেফ ইন্দিয়া হায়বা হীরমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর-এল. নবাচন্দ্রনা হায়-চয়োল অমা চুপা চত্থরকপা থৌরম অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোকখি। মসিগী মনুং চন্না মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা মীয়ামনা পায়খৎকদবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদসু খঙহনখি।

থৌরম অদুদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সি. অমসুং এস.পি শরুক য়াখি। পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা রচনা চাংদমবগী মনাসু

য়েন্থোকখি।

**জেএসি (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ঙাইখোং সিফাইদগী নুপীমচা অমা ঙরাং দিল্লিগী মহারানি বার্গতা শিদুনা লৈরম্বা অদুগা মরী লৈননা জে.এ.সি. অমা শেমখ্রে। লৈখিদ্রবা নুপীমচা অদু দিল্লিগী প্রাইবেট স্কুল অমদা ওজা ওইবনি হায়রি।

মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়-অৰাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংদা য়ামা তোয়না অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকি। মসি য়ামা লাইবক থিবা থৌওংনি। মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন সরকারনা অথুবদা পুথোকপীয়ু হায়না জে.এ.সিনা তকশিল্লি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা লান্না লৌনখিগদবা ৱাফমশিং সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপীগনু।

**কাং (এল)ঃ** শিংজমৈ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. য়ুমাম খোমচান্দনা হায়রি-লমদম অসিগী য়েলহৌ মশান্নশিং য়োকখৎপা হায়বা অসিদা মীপুম খুদিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

ইম্ফালগী য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রীশ্রী গোপালা দেব মন্দবতা ঙসি পাঙথোকখিবা অনিশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট-২০২৫ লোয়শিনবগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা শ্রী খেমচান্দনা মখা তানা হায়-কাং হায়বসি লমদমসিগী অঙনবা মতমদগী লৈরক্লবা অমদি ফুরুপ অসিব্ মশক তাকপা য়েলহৌ মশান্না অমনি। ঙসি রাজ্য অসিদা অসিগুম্বা য়েলহৌ মশান্না অসিদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা থৱায় হেন্না য়াওশিনবগী মমি শামথরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। য়েলহৌ মশান্না য়োকখৎপা হায়বসিদা লুচিংবা অমদি মীপুম খুদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ।

কাং টুর্নামেন্ট অসি ককচিংতাবম অজিৎ কুমার শর্ম্মা অমদি মহাক্কী ইমুং

মনুংগী তেংবাংগী মতেংনা য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনদুনা মার্চ ১৯ দগী কাংখুৎ ১২ না শরুক য়াদুনা চথ্থরকখিবনি। ঙসি টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা য়াইস্কুল কাংখুৎকী প্রসিদেন্ট-লাইময়ুম ব্রজামণিনা থৌরম মপু, অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (ন্যুজ) থোকচোম য়োগেন্দ্রজিৎ অমসুং ককচিংতাবম ওংবী মেমা দেবীনা অথোইবা লেংবীরকপশিং ওইখি।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন-(রিমসু) না শিনদুনা রিমসকী চহিগী মীফম ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

মৈরাগী রেল্লি অমদি মাচ পার্সকা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা রিমস ইম্ফালগী দিরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিলকুমার শর্ম্মনা হায়-রিমস ইম্ফালগী মহৈরোই অমদি ফেক্কটিশিংনা অকোইবগী ফিভম অমদি মীওইবা খুন্নাইগীদমক খন্না পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং শিংথানিংঙাইনি। মহাকা হায়-মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্বা অমদি হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা রিমস হোস্পিতালবু প্লাষ্টিক ফ্রি ওইবা কেম্প অমা ওইহনবা তঙাইফদে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রিমসুগী ষ্টাফ এদভাইজর-প্রোফেসার-এস. রানিতা, প্রোফেসার-এস. সুভাসচন্দ্র, মেদিকেল সুপিরিনটেন্দেন্ট-এন. সঞ্জিবনচিংবা য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ওরেল (এল)ঃ** থা অমা চুপা চথ্থরকখিবা মালেমগী ওরেল হেলথ ডে ঙসি কামজোং জিলাগী কামজোং পাব্লিক হায়স্কুলদা নোংমগী ওইবা মেগা দেন্টেল হেলথ কেম্প অমগা লোয়ননা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদু ইন্দিয়ান দেন্টেল এসোসিয়েসন-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স অমদি নেসনেল ওরেল হেলথ প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশমনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

‘এ হেপি মাউথ ইজ এ হেপি মাইন’ হায়বা থিমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ. ডা: সাপম রঞ্জননা  অঙাংশিংদা চিন-য়া ফানা অমদি লু-নান্না থমবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি। ডাক্তর ৩০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লেমা য়া লায়েংবগী কেম্প অদুদা মীওই ৩০০ রোম শরুক য়াখি।

**পখৰারা(এল)ঃ** শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গালর্স কলেজ এন.এস.এস. য়ুনিট অমদি খুরাই সাজোর লৈকাই সেক্তর টৌইন্টি টু আই.সি.দি.এস. প্রোজেক্ট ইম্ফাল ইষ্ট-মনিপুরনা শিনদুনা পোসন পখৰারা ২০২৫ ঙসি খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা অঙাংশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পীক্লিবা অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা লৈনবা অফবা চিঞ্জাক চানবা ৱাফম কয়া থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি।

**ঈশিং (এল)ঃ** তমেংলোং হেদক্বাটরদা লৈরিবা মীয়াম থকবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োকরে।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমীনা হায়-নোং মরাং কায়না চুদবনা মরম ওইরগা তমেংলোং টাউন্দদা ঈশিং পীরিবা গদাই ৱাটর রিজার্বর ঈশিং লৈত্রে। মসিগীসু মথক্তা তমেংলোং জিলাদা ঈশিং ফংফম ওইরিবা মরুওইবা লোক অমদি ইফুৎ কংশিল্লক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা তমেংলোংদা ঈশিংগী অৱাবা মায়োকরে হায়রি।

**মীৎ (এল)ঃ** মীৎকী তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি কোংপাল ময়াই লৈকাইদা লৈবা য়.জে.বি. স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কোংপাল সোসিএল দিবলপমেন্ট কম য়ুথ সেন্টর, মঙাললৈমা ভি.এল.এফ, খুরাই খাইদেম লৈকাই গ্রাম পঞ্জায়ট অমসুং আদরস আই-ক্লিনিকনা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৬৩ রোম মিৎ য়েংখি।

**জিতেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী পার্সোনেল, পাব্লিক গ্রীভান্সেস অমদি পেন্সন মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-নহা ওইরিবা সিভিল সার্ভেন্টশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্কদবনি।

ইং ২০২৩ বেটচকী আই.এ.এস. ওফিসারশিংগা ঙসি উন্নরদুনা মন্ত্রিনা হায়-ভারতকী লৈঙাক সাসনগী অহোংবা অমদি চাউখৎপা ভারত অমগী মঙলান মঙফাওনহনবদা নহা ওইরিবা ওফিসারশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই। মখোয়না লৈবাক অসিবু মাংলোমদা চংশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি।

থৌরম অদু হৌজিক চথরিবা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি।

**ভিজিৎ ঃ** ভারতকী নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা আমেরিকাগী উপ-রাষ্ট্রপতি জে.দি. ভেন্স হয়েং নিউ দিল্লিদা থুংলরগনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা শ্রী ভান্সনা ভারত্তা লাকপা অহানবা খোঙচৎনি। মহাকা হয়েং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা উন্নগনি। উপ-রাষ্ট্রপতি অমসুং মহাক্কী মীহুৎ কাংবুগী খোঙচৎ অসিদা দিল্লিদতা নত্তনা জয়পুর অমসুং আগ্রাদসু চৎকনি।

খোঙচৎ অসিনা ভারত অমসুং আমেরিকা লৈবাক অনিগী মরীদা খুমাং য়াংশিল্লক্লিবা অমদি মখা তানা পায়খৎকদবা থবকশিংগী মতাংদা কুপা খন্নবসু ঙমলগনি। লৈবাক অনিনা লমদম লমদমগী অমদি মালেমগী ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদসু মখোয়গী মোৎশিং ফোংদোকগনি।

**ইয়ার ফোর্সেঃ** য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটস ইয়ার ফোর্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা দেজার্ট ফ্লেগ টেন এক্সরসাইজতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ান ইয়ার

ফোর্সকী কন্টিজেন্ট-অল-দাফ্রা ইয়ার বেজতা থুংখ্রে।

এক্সরসাইজ অসিদা ওস্ট্রেলিয়া, ফ্রান্স, জমর্নি, কটার, সাউদি অরাবিয়া, রি-পব্লিক ওফ কোরিয়া, টর্কি, য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ু.এ.ই. অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ আমেরিকাগী ইয়ার ফোর্সশিং শরুক য়াগনি। এক্সরসাইজ অসি হয়েংদগী হৌরগা থা ৮ চুপা চত্থগদবনি।

**কাং (এল)ঃ** য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনদুনা য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রীশ্রী গোপালাদেব মন্দবতা চত্থরকখিবা অনিশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫ কী চেম্পিয়ন কৈশামথোং কাংখুৎনা ওইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কৈশামথোং কাংখুৎনা ওইনাম কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৮-১৬ তা মায়থিবা পীখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন, রন্নরস অপ তারবা কাংখুৎশিং, চেপথা অমদি লেপথাদা ভেষ্ট প্লেয়ারশিং য়াওনা মনা মথুম কয়াসু য়েন্থোকখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ৱাই.ডব্লিয়ু.সি লংথাবালনা অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা রেজ-নাগামপালপু ৱিকেট মঙাদা থোইখি।

**কাং (এল)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন ৱাংগোইনা শিন্দুনা ৱাংগোই লোংজম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা চত্থরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিক কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র (এ) না হিয়াংলম কেন্দ্র (মরাম্বা) কাংখুৎপু পাঞ্জল ২২-১৫ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১০ শুবা থৌদাম কুমার মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ফ্‌টবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী বিষ্ণুপুর জিলাগী তৌবুল গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। তৌবুল য়ুথ দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৮ না শরুক য়ারি। ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোইরাংচা মোইরাং খুনৌনা কংলৈপাক য়াইফ নম্বোল খাথোংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে হায়রি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ১৯ মখাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ত্রোপি ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

খাঙবেকে পার্ট থ্রি চেরাপুর পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা এল.সি.সি. লমশাংবু রন-৪১৫ দা থোইখি।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাউথোংদা শান্নখিবা মেটচতা-ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা এ.এম.সি.এ. থৌবালবু রন-৯৬ তা থোইখি।

মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা অল-অমিন লিলোংনা সি.ৱাই.এস.এ. খাঙবোকপু রন-৭৬ তা অমদি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা সেদো-থাংমৈবন্দনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন-৯৯ দা থোইখি।